## এডিটোরিয়েল

# ওইথোক্লোইদবা মঙলান্নি

*মণিপুরদা মতম অমগী লৈঙাক্লা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট খরা শেমখ্রে অমসুং মসিনা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী মনুংদা লৈবা মীওই কয়া অমনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রবসু মহৌশাদগী ষ্টেটসিগী মনুংদা খুন্দা–লৈতামিন্নদুনা লাক্লিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তদি অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরে হায়না লৌবা য়ারে। চীফ মিনিষ্টরনা উখুলদা শেমগৎ–শাগৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা শঙ্গানবা চৎলুবদা অচৌবা মীয়ামগী মায়কৈদগী হৌরকপা চৈথেং অমা নংখ্রে। মসিদা মনুংগী ৱাফম কয়া নাথৈরগা নুমিত্তুদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু মথং মথং লমদমদুদা লৈরিবা মীচম প্রজাশিং অদুনা করি হায়না লৌবগে হায়বা ৱাফম অমসু ঐখোয়না খনবগী মথৌ তাই। মসিনা তাকপদি লমদমসিদা নাগা হায়বা ফুরুপ অমত্তা তারমদে অমসুং মণিপুরগী ওইনা য়েংবা তারগদি মখল কয়াগী ইন্দিজিনস ওইবা মীয়াম্না লমদমসিগী নুংশি–চান্নবা কয়া অদু য়েংলগা চীংদা ফংবা পোখোক্কা তমদা ফংবা পোখোক্কা য়েন্নদুনা চামিন্নবগী নুংশিনবদু লৈরম্বনি। অদুবু হন্দক চহী খরা অসিগী মনুংদা হোংলক্লিবা নুংশি–চান্নবগী ফিভম অসি মণিপুরগী ৱাংমদগী অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা হায়রকপা অমসুং মখোয়না ইনশিনবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা তোঙানবা নাগা দিষ্ট্রিক্টশিং খায়দোকপগী ৱাফমশিং অদুদি ওইথোক্লরোইদবা মঙলান অমনি হায়না হায়বা তাই।*

*ওইবা য়ারোইদবা অমদি মণিপুরদা লৈরিবা মফম খুদিংমক্তা খুন্দা–লৈতাদুনা লাক্লবা মীওই ফুরুপ খুদিংমক্কী হায়বদি শক খঙলবা সেদ্যুল ট্রাইব ৩৩ গী মপুং অদু শক খঙলবা মতুং মখোয়গী ওইবা মহৌশাদগী খুন্দারক্লবা লমগী এরিয়াশিং অসিগী লমদমশিং অদু মখোয়না মপু ওইদুনা লাকখ্রবনি। মদু নত্তবদা মণিপুরগী সেদ্যুল ট্রাইব পূন্নমক অসি নাগানি হায়না শকখঙনবা দিমান্দ তৌরিবসি য়াফম থোক্তে। ইনদিজিনস মণিপুরী ট্রাইবশিংনা ষ্টেট অসিগী চীংগী লম পূন্নমক্কী মপুনি অমসুং মখোয়না মশাগী ওইবা লমগী শরুকশিং অদু কনশিন্দুনা থম্বদা অকাইবা লৈতে। অদুবু হায়রিবা মণিপুরগী ট্রাইবশিংগী ওইবা লমগী শরুক অদু নাগালেন্দদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ অমনা লাল হৌরগা গ্রেটর নাগালেন্দ অমা শেম্নবগী ৱাফম অদুদা পুনবদি য়াগনি হায়বা মরম অমত্তা উদে।*

*মসি ইথনিক মণিপুর ট্রাইবশিংগী য়েলহৌমী অমা ওইবগী হক অদু মুখৎলগা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নরিবা এন এস সি এন (আই এম) গী এজেন্দাদা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসি মুন্না খঙবা তারগদি য়াওফম থোক্তবনি। করম্বা মতমদা কনাগী থৌইনশিন্না মণিপুরদা নাগা ট্রাইব লৈ হায়বসি হায়রিবনো অমসুং করম্বা মণিপুরগী সেদ্যুল ট্রাইব কাঙবুশিংনা নাগা ওনগে হায়না ষ্টেট অসিগী এডমিনিষ্ট্রেসনদা হায়খিবা লৈবগে হায়বসিমসু হংবা তাবনি। মণিপুরদদি নাগা অমফাওবা লৈখিদে হায়বসি পুৱারীনা উৎলবা ৱাফমনি অমসুং চীংমী–তম্মী অনীগী লৈনরম্বা মরীশিংদা লাক্লিবা ৱাফম খুদিংমক অমদি থৌদোকশিং অদু মণিপুরনা শকখঙবা হান্নদগী লৈরক্লবা চীংমীশিংগী ট্রাইব অদুনি। মদু খঙলবা ফাওবদা মশাগী মমিং অমদি ট্রাইব মমিং হোংদোক্লবা হোৎনরিবা অমসুং নাগানি হায়না শক খঙগদবনি হায়রিবা মীওই ফুরুপশিং অসিগী আইদেন্টিটি অদু হান্না খঙদোকপগী মথৌ তাই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# আই এন ডি অমদি হেলমেটকী চন্নফম পীবীয়ু

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মণিপুর সরকারগী মোটোর ভিহকল লোইশংনা য়াম্না চাউবা ড্রাইব কয়া চথদুনা আই এন দি নম্বর প্লেট নম নমদুনা শীজিন্নবগী থৌরাংশিং ঙসিদি কান্নবা খঙদনা মাংখ্রে। হেলমেট শীজিন্নদবগী ফা ফাদুনা পোকেৎ মনি তানবা খোঙজং কয়াসু শাজিং হৌরম্লগা তোকখ্রে। আই এন দি গী কান্নবা মীয়ামদা খঙহন্দ্রবসু নম্ফুদা শীজিন্নবগী ফাইন ফাওবা লৌদুনা মখোয়গী খরচশিং তাল্লম্বশিং সরকারনসু য়েংদুনা লৈথোক্লি। হৌজিক আই এন দি না তশেংনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহনগে হায়বগী লম্বীশিং দিপার্টমেন্ট অসিনা উৎপা খঙহনবা ঙমদরি। হৌজিক থাউ ফংনদ্রিবা ব্লোকেদকী অৱাবা লৈনরিবা তাল্লকসিদা আই এন দি নম্বর প্লেট য়াওবা হেলমেট শীজিন্নবশিংবু থাউ ফংদবগী অৱাবশিং লৈহন্দবা য়াই। লূরিবদি আই এন দি করিনো হায়বসি দিপার্টমেন্ট অসিনা মীয়ামদা ফোংদোকপা ঙমদরি। চুম্নগী থৌবা য়াদে হায়দুনা তুশোন মানশোনবশিং মীগা ৱা কন্না ঙাংনবা পামদবশিংদা থেংনবা নত্তনা অতৈ ময়াম অমা য়াওদনা চৎলি। তশেংনা লমদমসিগী লৈরিবা সরকারগী লোইশঙ খুদিমক নিয়ম চুম্না থবক অমত্তা পাইখত্তবা মরমদগী ঙসিসু চাউখৎপগী লমজেল শরুক য়াবা ঙমদরি। তশেংনা আই এন দি অসিগী মপান লমদা ফংইবা খুদোংচাবশিং লৈরবদি ঙসি অসিগুম্বা গারীশিংদা থাউগী অৱাবা লৈহন্দবা য়াই। য়াম্না ঙকপা অমনা থাউগী ক্যু লেপ্তুনা টোকন লৌনবসিদা সোরাংকী তল লৌবদৌনা চাকলুক লোন্নবা হোৎনবা মীওই কয়াসু উরক্লিবসিনি। তশেংনা চাকচা হৈজানবদা চাকলূক অনী লোল্লগা চাবিবা ওইরগদি থাগৎপা য়াই। থাউ পম্পশিংনা অরোনবা কয়া চখবা য়ানবগী লাল্লোংদা ক্যুদা লেংইবশিং খরদা য়েল্লম্লগা থাউ লোইরে হায়বসু য়াওদবা নত্তে। সরকারনসু অচুম্বা তৌনিংদে। থাউ পম্পশিংনসু ওইজবা লৌবা পামই । প্রজাশিংনসু মশাখক্তগী হেন্না ফংনবা হোৎনজে। পূন্নমক অহেনবা ঙাক্তা পাম্নবনা চুমথোক্লবা কনামত্তনা হোৎনবা লৈতে। তশেংনা থাউ পম্পশিংদা পীরিবা থাউশিং অসি নিয়ম চুম্নবু মীয়ামদা ফংহল্লবদি ব্লেক্তা থাউ য়োন্নবগী মরম লৈতে। ব্লেক্কী থাউ হাল্লুরবা গারীশিং কয়া লম্বীদা য়াদবা কয়া য়াওরকপনা ব্লেক্কী থাউয়োনবশিং ফাজিনবা চুমলে। মতম অমদদি সেক্যুরিতিশিংনা ব্লেক্কী থাউ য়োনবা খুদিংমক চৎ–চত্তুনা ফাবা উরম্বশিং ঙসিদি হেলমেটকী কান্নবশিং হন্দক্কী উখিদ্রে। সরকারনসু আই এন দি অমদি হেলমেটকী কান্নবশিং হন্দক্কী থাউগী প্রোব্লেমশিং অসিদা খেন্নবা কান্নবশিং উৎপা ঙম্লবদি মীপুম খুদিংমক গারী মচা শীজিন্নবশিং আই এন দি অমদি হেলমেট শীজিন্নরক্কনি থাজে। ইলেক্ট্রিক বিল য়াওদ্রবদি সরকারগী তলব লৌবা য়াহন্দবগুম্না সরকারনসু শিন্নবা থৌরাংবিয়ু।*

**অদোমগী**
**সি আইচ বিরেন**
**ইম্ফাল**

# স্বামী বিবেকানন্দগী ১৫৫ শুবা মপোক নুমিৎনা লাকপদা (১)

কনানা চহী ১০০ হেন্না হীংলম্মী, কনা চহী ৯০, কনানা চহী ৭০, কনানা ৮০ হীংলম্মী। শাংনা হীংলম্বসু কাউনখ্রে তেন্না হীংলম্বসু নীংশিংখিদ্রে। মতমগী লৈরোন্নুংদা লোয়না মাঙখরে। মতীক মগুণ লৈবা মীয়ামগীদমক পুন্সি কখোকখিবা, অমম্বা সংসারগী লম্বীদা ককঙা উননা চেন–চোংদুনা শান্নরীবা মীয়ামদা অচুম্বা জ্ঞানগী মৈঙাল পীবিরম্বা অথোইবা মীওইশিংদুবুদি, পুন্সিদু শাংগেরা –তেনগেরা, ঙসিসু কাউনদ্রি, কাউফমসু থোক্তে। জনুৱারীগী তারিখ ১২ হায়বসি (চহীসিগী) স্বামী বিবেকানন্দগী চহী ১৫৫ শুবা মপোক নুমীৎনি, মাবু করম্না নীশিংলোইদগে !! নুমীৎ অসিবু ইরমদম ভারত অসিদা 'নহাশিংগী নুমীৎ' হায়দুনা পাক–শন্না পালন তৌনরি।

স্বামী বিবেকানন্দগী বাইও–ডাটাঃ

পোকফমঃ কলকত্তাগী সিমলা

অপোকপগী মীংঃ বিশ্বনাথ দত্ত, উকীল ওইরম্বা

অপোকপীগী মীংঃ– শ্রীমতি ভুবনেশ্বরী দেবী

পোকখিবা তারিখঃ ১৮৬৩ জনুৱারী তাং ১২ (নিংথৌকাবা নুমীৎ)

মহৈগী থাকঃ– গ্রেজুএট, স্পোটিশ কলেজ, ১৮৮২।

মশাগী গুরু রামকৃষ্ণগা

অহানবা উনবাঃ– ১৮৮১

থোইদোকপা গুণশিংঃ– নীংশিংবগী অহেনবা শক্তি, হৈগন শীংগনবা, কিবা লৈতবা।

অপোকপা লৈখিদবা– ১৮৮২, নরেন্দ্রনা চহী ২০ শুরকপদা।

গুরু রামকৃষ্ণনা মহাসমাধি ওইখিবা– ১৮৮৩

আমেরিকাদা ধর্মগী সভাদা ৱা ঙাঙবা ১৮৯৩ সেপ্টেম্বর ১১–২৭

অহানবা খোঙচৎ– নোংচুপ লৈবাক্তা চহী অহুম মখায়রোম লৈবা ১৮৯৩ দগী

অনীশুবা খোঙচৎ– ১৮৯৯ জনুৱারী, থা ৫ রোম লৈরকখিবা

লম্বোইখিবা– নরেন্দ্রনাথনা স্বামী বিবেকানন্দ হায়বা সন্যাসকী মীং লৌখিবা ১৮৮৬ দিসেম্বর ২৫।

ভারত কোয়না চৎলম্বা– ১৮৯০–১৮৯২

রামকৃষ্ণ মঠ অমসুং মিশন নীংখৎপা– ১৮৯৭

অদ্বৈত আশ্রম লীংখৎপা– ১৮৯৮, মার্চ থা

মহাসমাধি ফংখিবা– ১৯৩২, জুলাই ২ (মশাগী চহী ৩৯ গা থা ৫)

চহী ৩৯ গা থা ৫ রোমতক মালেমসিদা লৈরম্বা স্বামী বিবেকানন্দগী তেল্লবা পুন্সি অদুনা তৌরম্বা থবকশিং ময়াম অদুদি শীংথাদুনা লোইবা লৈরোই। নোংচুপকী লৈবাকশিং মরুওইনা আমেরিকা অমসুং ইংলেণ্ড অসিনচিংবদা কোয়না চত্তুনা ভারতকী লংলবা অধ্যাত্মিক্কী মৈঙালদু স্বামীজীনা মায়পাক্লা শন্দোক্লমখি। মপাম্হোং–হকচাংগী অমদি মপাম্হোংগী পোৎলমশিংদা হেন্না থাজবা থল্লম্বা নোংচুপকী মীয়ামদা অনৌবা মৈঙাল পীদুনা অচুম্বা মশক খঙহল্লমখি। নোংচুপকী লৈবাকশিংদা বেদান্ত সেন্তর কয়াসু লীংখৎলমখি। নোংচুপ নোংপোক অনীমক্তা স্বামীজীগী তেনখ্রবা পুন্সিদুনা চুখৎলমলিবা অধ্যাত্মিক্কী মৈরাশিং অমসুং মশামক্কী পুন্সিনা উৎলম্বা আর্দশশিং অদু ঙসিফাওবা কাউনদ্রি, হেন্না –হেন্নদুম মমল য়াম্বা হেনগৎলকলি।

স্বামী বিবেকানন্দবু খঙননবা হায়দুনা লেপ্তুনা খরদং হোৎনজখিবা, মাগী লাইরিক পাদুনা ইমালোন্দা হন্দোকখিবা কয়া অমসুং ৱারেঙ মচা মচা ওইনা কয়া–কয়া ইজখিবদগী, ঐহাকসু মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেস্নেল সেমিনারদা স্বামীজীগী পুন্সি অমসুং পাউজেলগী মরমদা ৱা ঙাঙনবগী তানজা অনীরক ফংজখি। এন এস এস কী কলেজ ছাত্রশিংনা ঐনা স্বামীজীগী মরমদা ৱা ঙাঙবা তারগা ৱাহং কয়া –কয়া হংনরকখি। য়াম্না ফজবা ৱাহং অমা ছাত্র অমনা ঐঙোন্দা হংলকখি। ৱাহংদুদি, স্বামী বিবেকানন্দদি মশামউ ফনা হৌরকপনি অদুগা ব্রহ্মচারী ওইনা লৈদুনা হকচাং অমসুং বুদ্ধি ফজনা থমখিবনি,করি মরমদগী মহাক ঙন্তানা শিখ্রিবনো?

তশেংবনি, ছাত্রদুগী ৱাহংদু ফজখ্রে।

নুমীত্তুদা ৱাহংদুগী চপ–চাবা অমসুং শন্দোক্লা তাক্লবা পাউখুমদি পীবা ঙমহৌদে। ইচম–চম্না হায়খি, স্বামী বিবেকানন্দদি অকক্লবা মরম অমগীদমক মালেমসিদা লাক্লম্বনি, মাগী থবকশিংদু লোইরে হায়দুনা মশাগী অনীংবা অমগী মখা পোন্না মহাসমাধি লৌখিবনি (মালেম থাদোকখিবনি)।

১৮৯৩ দা আমেরিকাগী চিকাগো সহরদা পাঙথোকখিবা 'পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজন্স' তা স্বামীজীনা হিন্দু ধর্মগী মীহুৎ ওইনা য়াউদুনা বেদান্ত অমসুং অদ্বৈতবাদকী অচুম্বা ৱাফমশিং য়াম্না লায়বা মওংদা ৱা কয়ারক ঙাঙখি। তারীবশিংদা মাগী ৱাহৈশিংদু পুন্নৌ নৌনা অমসুং অঙকপনা থল্লবা অচুম্বা ওইনা থোকখি। আমেরিকা, ইংলেণ্ড, জর্ম্মন অসিনচিংবা মফমশিংদা চহী অহুম হেন্না লেকচর কয়া কোয়না চত্তুনা পীখি, লোয়ননা অখন্নবা মীওইশিংনা পামজবা মতুংইন্না অখন্নবা ট্রেন্নীং প্রোগ্রামশিং পাংথোক্লমখি। মাগী তুংইনবা মীওই কয়া আমেরিকা অমসুং ইংলেণ্ডদা থোরকখি, মখোয়গা পুন্দুনা বেদান্ত সেন্তর কয়াসু লীংখৎখি।

পৈশাসু মখুত্তা থল্বা য়াদবা লম্বোইবা মহাক্লা সমুদ্র ৱাংমগী মীরৈবাকশিংদুদা থবক কয়া তৌরম্বদু মী কয়া কয়ানা হোৎনদুনসু পাক হেক পাঙথোকপা ঙম্লরোইদবা থবকশিং ঙাক্তনি। ১৮৯৭ কী মে থাদা আমেরিকান শিষ্যশিংনা কৎলকপা দানগী শেনফমশিংনা 'রামকৃষ্ণ মিশন' লীংখৎখি বেল্লুর মঠ শাখি। ১৮৯৯ গী মার্চ থাদা হিমালয় মখোঙদা আদ্বৈত আশ্রম শাখি।

১৯০০ দা কালিফোর্নিয়াগী মফম খরদা বেদান্তগী থবক –থৌরমশিং পাঙথোক্লগা মফম অদুদা 'শান্তি আশ্রম' লীংখৎখি। অশুম্না পোত্থাবা লৈতনা অমদি চাব থকপগী থোইনা খল্লুবা তৌদনা থবক ময়াম তৌরুবদগী স্বামীগী হকচাং শোকখি, অনাবা কয়া লাকখি। নোংচুপ্তা স্বামীনা চৎপসি অনীরকনি, অহানবদা ১৮৯৩ দা অনীশুবদা ১৮৯৯ দনি। মশাদা ডাইবেটিশ অমসুং অজমাগী অনাব লাকখি। ভারত্তা হল্লক্লগা মতম খরা থবক্তগী পোত্থাদুনা লায়েং চথখি।

মতাংসিদা স্বামী বিবেকানন্দবু মশাগী খ্বাইদগী অশেংবা মরুপ ওইনা খঞ্জবী অমসুং স্বামীনা তাকপা বেদান্ত দর্শনদা মপুঙফানা থাজবা থমখ্রবী জোশেফিন মেকলিওড কৌবী নুপী অমগী ৱা খরা পঞ্জনীংই।

নুপী –নুপা কয়া স্বামীজীদগী দীক্ষা লৌরদুনা নোংচুপ লৈবাক্তগী ভারত্তা লাক্লগা লম্বোইবা লম্বোইবী ওইনা থবক তৌরমখি। মিস জোসেফিন মেলিওঋডসু ভারত্তা লাকখি, মহাক্তি দীক্ষা লৌখিদে, মরুপ অমগুম স্বামীগী মতেং পাঙখি। নোংমা বেল্লুর মঠতা ফঙ্কসন মচা অমা পাঙথোকখি। শিষ্টর নিবেদিতানা মাগী স্কুলগী অঙাঙশিংদা স্পোর্টস অমসুং কলচরেল প্রোগ্রামগী অথোয় অহেন তাবশিংদা মনা–মথুম য়েম্হোকলম্মী। স্বামী বিবেকানন্দ অমসুং মিশ জোশেফিন থৌরমশিংদু য়েংলম্মী। স্মামীনা মতমদুদা ইথা–থাজদনা হায়রকখি – "মিশ জো, ঐদি চহী নিফু হায়বদু উররোই।" মতমদুদা স্মামীদি চহী ৩৯ খরা হেল্লবনি। মিশ জোশেফিন মেকলিওডনা ঙক্লা হায়, "করিগী? গৌতম বুদ্ধদি মশাগী চহী ৪০ দগী ৮০ ফাউবদা মাগী মরুওইবা থবকশিং মীওইবগীদমক পাঙথোক্লম্বনি।" স্মামীনা খুল্লকই, " ঐহাক্কীদি তৌফম থোকপা তৌরম্লে, পীফম থোকপা পাউজেলসু পীরম্লে। হৌজিক্তি অমুক শাংথনা লৈবগী দরকার ওইদ্রে খল্লি। ঐ চৎপগী মতম হায়বদু য়ৌরক্লে।" জোশেফিন খরা নুংঙাইতবা ফাউখি অদুগা হংলকই, " করিগী অশুক থুনা চৎকদৌরিবা?" পাউখুমদা স্মামীনা হায়ু, "অচৌবা উপাম্বী অমগী মখোঙদা নৌনা হৌরক্লিবা পাম্বীশিংদু মপুং ফানা চাউবা ঙমদে, মখোয়বু মপুংফানবা, অচৌবা পাম্বীদু য়াম্হৎপা তাবনি।" অশুম্না স্মামী বিবেকানন্দ, মালেমসি য়াম্না থুনা থাদোক্লিংবা মওংদু মাগী মরুপ মিশ মেকলিওডতা অহানবা ওইনা ফোঙদোকখি।

নুমীৎ নীনি লৈরগদি মালেমগী হকচাং থাদোক্লগনি হায়বা নুমীৎকী নুমীদাংদা মাগী সেবা চেকশিন্না তৌজরিবী শিষ্টর নিবেদিতা কৌশীন্দুনা হান্না অমুক্তঠ তৌদবা মওংদা পুন্না চাক চামীন্নসি হায়রকখি। নিবেদিতাদি নুমীৎ খুদিং স্বামীনা চাক চাবা লোয়রগা মাগী শরুক চাজবীনি অদুবু ঙসি ইথা –থাজদনা ফম্মীন্দুনা চাক চাম্মীন্নসি হায়বদুদা ঙকখি। অশুম্না স্বামীগা মবান্নী চাক চামীন্নখি। চাক চাবা তোক্লগা স্বামীনা নিবেদিতাগী মখুৎ হামদোকপীখি। নিবেদিতা ঙকপদা খম থেংলদুনা হংজখি, "স্বামীনা ঙসি তৌবীরিবসিবু করিনো?" মাগী ৱাহংদুদা স্বামীনা খুন্নকই, "নঙদি খৃষ্টিয়ান্নি, মরম খঙলমগনি খল্লি। যীশুনা চৎলমদাইদা মাগী সেবকশিংগী মখোঙ হাম্বীখিবদু অমুক্তা নীংশিংউ।" নিবেদিতা না হায়রকই, "মদুদি অরোয়বা খোঙচৎকী মতম লাকপদা যীশুনা তৌখিবনি!"

১৯০২ জুলাই থাগী তাং ৪, নুমীদাংৱাই প্রেমানন্দ কৌবা সেবক অমগা মাইল তরুক্লোম শাংনা খোঙনা চৎমীন্নরুরগা হল্লকই। চৎন–চৎনা স্বামীনা প্রেমানন্দদা বেদান্ত স্কুল হায়বা অমা লীংখৎনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লম্মী।

বেলুর মঠতা লৈবা মশাগী কাদা চঙলগা থোঙ লোনশীন্দুনা ধ্যান তৌখি। কা মনুংদা চঙলমদাইদা মী খরদা হায়রম্বী, " ঐ ঙসিদি ধ্যান খরা কুইনা তৌগনি, কনামত্তা মফমসিদা থাজীল্লক্কনু।" পুং ৩ লোম হেন্না থোঙ হাংদ্রবদা ময়াম্না হন্না হন্না কৌরে মদুদসু খুন্নক্ত্রবদা থোঙ নমখাইদুনা য়েংলুবদা স্বামী বিবেকানন্দদি মাগী ফম্মুংদা লোঙনা হীপ্লগা থৱাই য়াউদ্রবা হকচাং ওইনা লৈরম্বা থেংনখি। মাগী নাতোন্দা ঈ খরা থোকখিবগী খুদমসু উনখি। অশুম্না ইথা থাজদনা স্বামী মহাসমাধি ফংখি।

মাগী গুরু রামকৃষ্ণগী মনাক্তা নরেন্দ্রনা অনীরকশুবা ওইনা লাক্লম্বদা রামকৃষ্ণনা মাগী নহা ওইরিবা সেবকশিংদা অশুম্না গুরুনা হায়খি, "নরেনদি অচম্বা নুপামচা নত্তে। মালেমসিদা অখন্নবা থবক খরগী লাকপনি। থবকশিংদু হেক লোইবগা য়াম্না থুনা চৎখিগনি।"

স্বামী বিবেকানন্দনা হকচাং পোলাং থাদোকখিবা মওংসি মথং–মনাও নাইনা মওং অহুমদনি। অহানবদা মপুং ফারবা ধ্যান, ধ্যান্দগী সমাধি, সমাধিদগী মহাসমাধি য়ৌখিবনি। সিদ্ধী ফংলবা মুনি ঋষিতনা মওং অসি পাঙথোকপা ঙম্বনি। স্বামীদি মপাম্হোংগী পোৎলমশিংগী সংসার অসিদা য়াম্না ঙল্লিনৈদগী অপাম্বা করিসু লৈরকখিদে। রামকৃষ্ণ পরমহংসনা হিন্দু দর্শন অমদি বেদান্তগী ৱাফমশিংবু মালেমগী জাতিশিংদা শন্দোকপা পামখি মদুগীদমক মতীক মগুণ লৈবা লাইরিক –লাইশু নীংথিনা হৈরবা নহা অমগী দরকার ওইখি। স্বামী বিবেকানন্দদি অদুগুম্বা নহা অদু ওইখিবনি, মাতবু মতম য়াম্না শাঙনা পরমহংসনা ঙাইরকখিবনি, মহাকপু ফংজবদা কয়াদা হরাউজখিবা!!

**(মথঙ–মথঙ)**

*লৈবাকপোকপা খুদিংগী...*

**সত্যম–শিবম–সুন্দরম**

**কে সি নন্দ**

# হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং হিন্দু দর্শণ–বাদ–৮

### ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

**প্রস্থান ত্রয়**

হিন্দু ধর্মদা লৈরিবা লাইরিকশিং অসি মী অমগী পুন্সিদা লোইনা পাবা নৎত্রগা নৈনবা য়াম্না ৱাবা থবক অমা ওই। অদুগা মাগী মাগী মীৎয়েং অদুদা শাফু হেন্না পীনরকপনা লাইরিক অমগা অতোপ্পা লাইরিক অমগা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন পীবগুম্না উবনা খন্থবা য়ৌদ্রিবা মীদদি লৌফম খঙদবা লোয়ননা পংহায় হায়বগুম্না খল্লকই। তশেংবমক্তি মীওইবগী পুক্লিং লৌশিংনা মপুম ওইনা খঙবা ঙমদ্রবা য়াম্না চাউখ্রবা করিগুম্বা অমবু তাক্লবা হোৎনরকপদা মদুবু তাক্লবা শীজিন্নরিবা পাম্বৈশিংদু খেন্নবদগী ৱাফমশিংদু মান্নদে হায়না উবতনি। অসুম্না চয়েৎনবশিংসি কোক্লবা, লোয়ননা সাধারণ মীয়ামগী য়েংলগা, মীশিংনা মাগী মাগী মথৌসু পাঙথোকপা অমসুং ঈশ্বরগী ৱারমসু খঙবা ঙম্নবা মদুনা পুন্সিদা ভৌতিক–অধ্যাত্মীক অনীমক্কী অপুনবা ফংদুনা নুংঙাইবা ফংনবগীদমক লাইরিক ময়ামসিগী মনুংদগী বেদগী মরিশুবা শরুক ওইরিবা উপানিষদপু শ্রুতি প্রস্থান, শ্রীমদ্ভগবদ গীতাবু স্মৃতি প্রস্থান অমসুং ব্রহ্ম সুত্রবু ন্যায় প্রস্থান হায়না খন্দোক্লগা থম্বীরম্মী। মখোয় অহুমসিবু প্রস্থান ত্রয় হায়রগা খঙনৈ। অহুমসিবু নৈনবদা হিন্দু শাস্ত্রগী মচি খঙলবনি হায়বা য়ারে। লাইরিকশিংসিগী চাউরাকপা মশক তেন্না তেন্না থমজগে।

উপনিষদঃ লাইরিক কাঙলূপ অসিদা নৈনরিবা, তাক্লিবা মরুওইবা ৱাফমদি ব্রহ্ম বুনি। মপুং ফানা নীঙ তম্বা ফংনবগী উপাইদি অশেংবা অচুম্বা, ব্রহ্ম ফংলবতদা ওইথোকই অমসুং মহাক অদুদা বিবেক ( অচুম–অরান খঙবা), বৈরাগ্য (অপাম্বা থমদ্রবা), ষদ সম্পৎ (ইন্দ্রিয় খুদুম চনবনচিংবা হীরম তরুক) অমসুং মুমুক্ষুত্ব ( মপুং ফানা নীঙ–তম্নীংবগী অকনবা অনীংবা লৈবা) হায়রিবা অরান–খুভম ফংনবগী উপাই মরি অসি লৈরবতদা ব্রহ্মজ্ঞান ফংবা ঙম্মী হায়বসি উপনিষদকী মচি ওইবা ৱাফম্নি। মীওইবা ঐখোয়দা তত্তনা খঙনীংবা হংলিবা ৱাহংশিং – 'ঐ কনানো', 'সংসারসিবু করিনো', ঐখোয়বু করম্বা মতমদা পোকখিবনো অদুগা কৈদৌঙৈ ফাওবা হিংগদবনো', 'ঐখোয়না কনাদা তোংলগা হিংলিবা', 'ঐখোয়গী খোঙচৎনা কদোমদা', 'জগৎ শেম্বা অমা লৈব্রা', 'শিনাই পোক্লাইদবা মশক অমা লৈব্রা' অসিনচিংবা দর্শণগী ৱাহংশিং অসিগী চপ চাবা পাউখুমদু উপানিষদশিংনা মপুং ফানা পীরি। তশেংনমক উপনিষদতি পুমকৎ কখোক্লবশিংগী পোৎনি। উপনিষদ খরগী মশক য়াম্না তেন্না শক্তাকচনবা মখাদা লৌখৎচরি।

**১. ঈশাবাস্য থউপনিষদঃ** ওঁ ঈশাবাস্যমিদঁ সর্বং যৎকিঞ্চ জগত্যাং জগৎ। তেন ত্যক্তেন ভুঞ্জীথা মা গৃধঃ কস্য স্বিদ্ধনম।। (জগৎসিদা চৎলিবা লৈরিবা খুদিংমক মপু মানা কুপশিল্লি। মদু থাদোকউ, নুংঙাইয়ু। অতোপ্পগী মরন্দা মিহৌগনু।) মন্ত্র অসি ঈশাবাস্য উপনিষদকী অহানবা পাউজেলনি। মসিদা নাম, রুপ, ক্রিয়া অমসুং গুণ (মিং, শক্তম, থবক অমসুং মঙম) না আত্মানা য়োমশিনখিবদগী থোরকপা অবিদ্যা (খঙদবা) বু থাদোক্তুনা অপাম্বা, কল্লকপনচিংবা মশা ওইরিবা অবিদ্যাসবু থাদোকপা ঙমদ্রবদি চিত্তশুদ্ধি (পুক্লিং শেংদোক্লবা) গীদমক কর্মনিষ্ঠা (মথৌ তৌবা) দা লৈনবা তাকই। উপনিষদসিগী অহানবা মন্ত্রদগী পুক্লিং শেংদোক্তুনা ব্রহ্ম থিনবা উপাই তাকপগা লোয়ননা অরোইবদা দেবযান মার্গদা চৎপা পাম্বা সাধক্লা খনগদবা ৱাখলগী পারিং তাকই। অহানবদা আত্মাগী মশক, মথংদা সম্ভুতি অসম্ভুতি (অপোকপা পোকপা নত্তবা) গী মরম অমসুং অরোইবদা লাইশোল তাকপনা উপনিষদ অসিগী চাউরাকপা মশক্লি। অহানবা মন্ত্রগী অহানবা ৱাহৈদগী লৌরগা মমিংসিমক ঈশবাস্য হায়না থোল্লম্মী।

**২. কেনোপনিষদঃ** ওঁ কেনেষিতং পততি প্রেষিতং মনঃ কেন প্রাণঃ প্রথমঃ প্রৈতি যুক্তঃ। কেনেষিতং বাচমিমাং বদন্তি চক্ষুঃ শ্রোত্রং ক উ দেমো যুনক্তি।। (শিষ্যঃ– কনানা পুক্লংবু বিষয়শিংদা পামশিনহনবগে? কনাগী য়াথংনা প্রাণনা মথৌ পাংবনো? কনানা ঈনশিন্দুনা ৱা ঙাঙবনো? মিৎ অমদি নানা মথৌ তৌরিবসি কনানা তৌহনবনো?) মসি কেনোপনিষদকী অহানবা মন্ত্রনি। মন্ত্রগী অহানবা ৱাহৈ কেন (কনানা) হায়বসিদগী লৌরগা মমিংসু থোল্লে। ৱাহংসিগী পাউখুম মন্ত্র তরেৎতা পী অদুগা মদুদা খঙ অমা লোইরে। অনীশুবা খঙদা ব্রহ্মবু খঙবগী মওং, প্রতিবোধ (হকথেংননা খঙবা) হায়বদি সমাধিগী মতমদা খঙবদু তাকই। অহুমশুবা খণ্ডদা অগ্নি (মৈ) অমসুং বায়ু (নুংশিৎ) না ব্রহ্মগী মাঙদা করিশু তৌবা ঙমদে অদুগা লাইগী নিংথৌ ইন্দ্রগী মাঙদা দেবীবু ব্রহ্ম তাকনবগীদমক থনম্লগা মাঙথোকখি হায়না ব্রহ্মগী শক্তিরেল ওইবা মতৌ তাকই। মরিশুবা খণ্ডদা দেবীনা ইন্দ্রদা ব্রহ্মবু দেব (লাই) শিংগা চাংদম্না অমসুং ব্রহ্মবু আত্মাগা চাংদম্না তাকই।

**৩. কথোপনিষদঃ** কথোপনিষদ তা আধ্যায় অনী লৈ, অধ্যায় খুদিংমক্তা বল্লী অহুম অহুম লৈ। ৱারীগী মওংদা তাকপদগী উপনিষদসিগী মমিং কথোপনিষদ কৌই। গৌতম, ঔদ্দালকী অরুনি, রাজশ্রবস – মিং অহুমসিমক্লা খঙনবা ব্রহ্মণনা বিশ্বজিৎ কৌবা যজ্ঞ তৌরম্মী, মদুদা মহাক্কী লৈজবা পুম্বা দান তৌথোক্লম্মী। মাগী মচানুপা নচিকেতা না মশামকপু মপাগী লন অমনি হায়না খন্দুনা 'ঐবু কনাদা পীগদগে ' হায়না মপাদা অহুন্নক হংখি। শাউরংনরবা মপানা, 'নংবু যমদা পীগনি' খুমখি। যমগী য়ুমদা নচিকেতানা অহিং অহুম করিমক্তা চা–থক্তনা লৈখি। যমনা ব্রহ্মণ কুমারদা অতিঠি সেবা তৌহৌদবগী নুংঙাইতবা ফাওদুনা বর অহুম নিযু হায়খি। মপাগী অশাউবা কোক্তুনা নুংশিনা লৌশিনবীবা, স্বর্গ ফংনবগী যজ্ঞ অমসুং অশিববু জয় তৌবা ঙম্নবা অহুমসিবু বর ওইনা নিরবদা যম্না থৌজানবিখি। অনীশুবা বল্লিদগী অরুবা ৱাফম তাকপা হৌই। শ্রেয় (মোক্ষ ফংনবা জ্ঞান, লম্বী) না প্রেয় (ইন্দ্রিয়গী নুংঙাইবা) দগী হেনবনি। ওঁ সিক ব্রহ্মনি। আত্মাগী শিবা, পোকপা লৈতে। তাকপনা, নৈনবনা, তম্বনা মাবু খঙেঙাই। ইন্দ্রিয় খুদুম চল্লবা, সৎ–সঙ্গ তৌবা অমসুং একাগ্রত চিত্ত ওইবতনা খঙই। হকচাংবু দোলাই, জ্ঞানবু শারথি, পুক্লিংবু খুর্জ্জী, ইন্দ্রিয়শিংবু শগোল, বিষয়শিংবু লম্বীশিং অমসুং আত্মাবু মহারথী ওইনা লৌরগা পূন্নমকসি অমনা অমদা মতেং পাংনরবদি মায় পাকপা ফংগনি, মীদুবু নুংঙাইরবা কৌগনি। উপনিষদশিদা গীতাগী শ্লোকশিংগা মান্নবা য়াম্না য়াওই। আত্মাবু 'এতদ বৈ তৎ' (মসিমক মদুনি) হায়দুনা ফজহল্লি। যোগগী ৱাফমসু পল্লি।

(মখা মথং লৈপাকপোকপা)

কর্টেসি – *হিন্দু ধর্ম্মগী শক্তম ঃ*